ত্রিপুরাগী কঞ্চনপুরদা খূৎ থোক্নরকপদগী সেক্সন ১৪৪গী মখাদা অথিংবা থমখ্রে

অগরটালা, নবেম্বর ১৮ (এজেন্সী): ব্রু রেফ্যুজিশিংনা ৰাটর সপ্লাই ওপরেটর অমদা এটেক তৌরকপগী থৌদোক থোকখ্রবা মতুংদা নোর্থ ত্রিপুরা দিষ্ট্রিক্টকী কঞ্চনপুরদা সী আর পি সীগী সেক্সন ১৪৪গী মখাদা মতম কক্তনা অথিংবা থমখ্রে।

হৌখিবা অহিংদা সুবল দে কৌবা মীওই অমনা বি বি সী বজার মনাক্তগী ঈশিং লৌবা চৎপদা ব্রু রেফ্যুজিশিংনা এটেক তৌরকখিবনি। থৌদোক অদুদা শোক্লবা সুবল দেবু মনাক নকপা হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্ন-রম্লবা মতুংদা ধর্ম্মনগরগী দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদা এদমিট তৌখি।

ৰেষ্ট লক্ষমিপুরদা ব্রু রেফ্যুজিশিংনা কা হেনবা থৌওং চথুরকপদগী টেন্সন ৰাংখৎলকখি। রেফ্যুজিশিংনা চথুরকপা থৌওং অদুনা মরম ওইরগা বেঙ্গলি ইমুং ৭৫ ময়ূম মকৈ থাদোক্লগা মনাক নকপা স্কুল অমদা চঙজফম লৌদুনা লৈখি।

কঞ্চনপুরদা ব্রু রেফ্যুজিশিং মতম পূম্বগী ওইনা খুন্দা লৈতাহন্নবা থৌরাং লৌখৎলকপগী মায়োক্তা জোইন্ট মুভমেন্ট কম্মিটি (জে এম সী) না নবেম্বর ১৬তগী খোঙজং চঙশিন্নবা ৰারেপ লৌখ্রবনি।

জে এম সীগী লুচিংবশিংনা হায়খি মদুদি, করিগুম্বা রেফ্যুজিশিংবু মফম অদুদা খুন্দা লৈতাহনবা তারবদি হান্নদগী লৈরক্লিবা মীওইশিংদা চাউনা অকায়বা থোকহল্লকপা য়াই। কাঙলূপ মশেলগী মরক্তা উংখৎনবগী থৌদোক থোরকখ্রবা মতুংদা কঞ্চনপুরগী সব দিভিজনেল পুলিস ওফিসর বিক্রমজিৎ সুক্লা দাসনা লুচিংবা টিম অমনা চেন্নবা মীওইশিং ফানবা থৌরাং লৌখৎপা হৌরে।

ৰেষ্ট লক্ষমিপুরগী মীওই অমনা এজেন্সীদা হায়খি মদুদি, ঙরাং নুমিদাংৰাইরম মীওই খরনা খুঙ্গংগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা কা হেনবা থৌওং চথুরক্তুনা মীওই কয়া অশোক অপন নংহনখি। নাকল অনী খূৎ থোক্লবদা মীওই খরসু অশোক অপন নংলে হায়রি।

অসাম-নাগালেন্দ ঙমখৈগী দলদালি রিজর্ভ ফোরেষ্টতা নৌনা লম খোপচিল্লক্লে

ATTENTION
INDEFINITE ECONOMIC BLOCKADE AGAINST NAGALAND
FROM 17th OF NOVEMBER, 2020.
GOVT. OF ASSAM OR GOVT. OF NAGALAND AND KARBI ANGLONG AUTONOMOUS COUNCIL
BUT FAILED TO ADDRESS OUR DEMANDS

বোকাজান, নবেম্বর ১৮ (এজেন্সী): দলদালি রিজর্ভ ফোরেষ্টতা লম খোপচিল্লকপগী মতাংদা লোকল ওর্গনাইজেসনশিংনা নাগালেন্দগী মায়োক্তা মতম কক্তবা ইকনমিক ব্লোকেদকী খোঙজং চঙশিনখ্রবা মতুংদা নৌনা অমুক রিজর্ভ ফোরেষ্টকী মফম খরদা লম খোপচিল্লক্লে।

কার্বি ষ্টুদেন্টস এসোসিএসন (কে এস এ) অমদি অসাম জাত্যিাবাদি যুব ছাত্র পরিষদ (এ জে ৰাই সী পি) য়াওনা ওর্গনাইজেসন ১২না ঙরাং অয়ূক পুং ৭তগী মতম কক্তবা ইকনমিক ব্লোকেদকী খোঙজং চঙশিনখিবগা লোয়ননা পোৎ চৈ পুবা গাড়ী অমত্তা নাগালেন্দদা চঙহনখিদ্রবনি।

নেসনল হায়ৱে ৩৬কী দিলাই অমসুং নেসনল হায়ৱে ৩৯গী কার্বি আংলোংদা লন্বী থিংদুনা পোৎ চৈ পুবা গাড়ীশিং নাগালেন্দদা চঙহনখিদে। য়াম্না মরু ওইবা হায়ৱে অনী থিংজিনখিবনা মরম ওইরগা নাগালেন্দদা তভাইফদনা চঙদবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং ফংদবগী অৰাবা মায়োক্নরকপা য়াই হায়না থাজনরি।

দলদালি রিজর্ভ ফোরেষ্টতা লম খোপচিন্দুনা লৈরিবা মীওই পুন্নমক হন্দোকখিনবা মতম পীরবা মতুংদা লূপ কয়ানা ইকনমিক ব্লোকেদকী খোঙজং চঙশিল্লকখিবনি।

খোঙজং চঙশিল্লিবা লূপশিংনা হায়খি মদুদি, নাগালেন্দগা লোন্নবা ঙমখৈদা হান্নদগী লৈরক্লবা বোর্দর পিল্লর তরেৎ নৌনা অমুক য়ুংগদবনি। করিগুম্বা নাগালেন্দ গভর্ণমেন্টনা ৰাফম অসি থৌশাদবা থোক্লবদি মতম চূপ্পা ইকনমিক ব্লোকেদকী খোঙজং চঙশিল্লকপা য়াই।

হন্দক্তা নাগালেন্দ গভর্ণমেন্টনা অসামগা লোন্নবা দিলাই গেট মনাক্তা আই আর বিগী কেম্প অনী হাংদোকখিবদগী য়ূমলোন্নবা ষ্টেট অনীগী মরক্তা মুক্লবগী চাং হেনগৎলকখি। অসামগী লমদা খুন্দারিবা মীওইশিংদা নাগালেন্দ গভর্ণমেন্টনা পাট্রা পীরে হায়বা ৰাফমগা মরী লৈননা ঙমখৈদা টেন্সন ৰাংখৎলকখি।

[illegible]
DUTTA AYURVEDIC CLINIC (Regd. No. 55503)
Khoyathong Christian Literature House Building
Thangal Bazar Road Khoyathong, Imphal

(অঙৌবা পকপা)

হৌজিক অঙৌবা পকপগীদমক থোইদোক্লা ৰানিংঙাই লৈত্রে। অঙৌবা পকপশিংগীদমক্তা অফবা মখলগী হীদাকশিং শিজিন্নদুনা চাউনা মায় পাক্লা লায়েংজরি। উনশাগী মহৌশাগী কুচু মাঙবা নৎত্রগা মখল খুদিংমক্কী উনশাগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। মায়হিং, স্কিন, অজমা, উরিং, মায় চাথৎপা স্কিন দিজিজ লায়েংজরি।

(তাং-তাং চিকপা)

তাং চিকপা, শ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথবা, মশল পাবা, খুৎ হায়গৎপা ঙমদবা, থবাক নাবা, মীহুন কা হেন্না চোংবা, থবাক খেবা, শ্বর ফুনবনচিংবগীদমক ৰাবীরুগনু য়াম্না থুনা উনবিয়ু তানবীয়ু।

(দাইবেটিসকী প্রোব্লেম)

দাইবেটিসকী সিমতোম লৈরবদি ৰেৎ হন্থুরক্কনি। ফন্বী চাং হন্থুরক্কনি, মপান তোয়না থোক্কনি, হকচাংগী পাঙ্গল শোন্থারক্কনি। হায়রিবা প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা লাকপীদুনা তানবীয়ু।

(নুংশং)

নুংশং, ঈ-তাবা, চাথৎপা, পোন্বা, হাকৎচবা, নুংশং কক্লাইনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেশন তৌদনা হীদাক শিজিন্নরগা পুংফ ফহনবা ঙম্লে।

(গ্যাষ্টিক্কী প্রোব্লেম)

পুক নুংশিৎ কাবা, চাব-থকপা তুমদবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোঙ হান্বা নুংঙাইতবা অসিগুম্বগী প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা লাকপীয়ু।

নুপা-নুপী অনীগী পুন্সি নুংঙাইনা লেনবা ওইবিয়ু

(নুপাগী প্রোব্লেম)

ফন্বী পাবা, নুপাগী ফন্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কছা চৎপা, ঈশিং চৎপা অমদি অমাংবগা লোয়ননা কছা চৎপা, ফিনুংদা হাক্কচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থবা তারবদি অথুবা মতমদা কন্টেক্ট তৌবিয়ু অমদি উনবিয়ু।

(নুপীগী প্রোব্লেম)

নুপীগী ফিঙৌ চৎপা, থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা অদুগা চাং হেন্না নৎত্রগা ৰাংনা চৎপা, মনম নমথিবা, হকচাং মনুংদা হাক্কচবা ফুরি থুংবা অমদি অতৈ লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে।

(নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম)

না তাদবা নাকোংদা ঙংদুনা লৈবা, হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমসুং অতোপ্পা মখলগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। সাইনসকী প্রোব্লেম, নাতোন ফুনবা, শ্বর হোনবদা ৰাবা, হকথি তোয়না খনবা, নপ মহী তাবা অসিনচিংবা তৌবিরবদি ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা তানবীয়ু।

(শমগী প্রোব্লেম)

শম কেনবা, পোক হৌবা, শমজাবী, চহী চাদনা নৌনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাক্কচবা অসিনচিংবা লায়ওংশিং অসিগীসু অথুবা মতমদা তানবীয়ু।

HOW TO GIVE UP WINE

If you or your adict want to give up wine. If you want to return happiness in your family then please use our "VISH MUKTI" Powder. You can give it .with meal, vegetables or tea without telling him

HOW TO CONTROL SUGAR LEVEL

If you want to control diabetes, then please use our sugar nil. Your sugar -/level will be control very soon. You can give up insulin, price Rs. 210

[illegible]
DUTTA AYURVEDIC CLINIC (Regd. No. 55503)
Khoyathong Christian Literature House Building
Thangal Bazar Road Khoyathong, Imphal

HL-B/6508/06/11-05/12

পেট্রিসিয়া মুখিম এদিটরস গিল্ড ওফ ইন্দিয়াদগী রিজাইন তৌখ্রে

শিল্লোং, নবেম্বর ১৮ (এজেন্সী): মেঘালয়া হায়কোর্টনা পীখিবা ৰায়েল অমগী মতাংদা করিগুম্বা মখলগী ৰাফম অমত্তা ফোঙদোরক্তে হায়বগীদমক সিনিয়র জর্নেলিষ্ট পেট্রিসিয়া মুখিমনা এদিটরস গিল্ড ওফ ইন্দিয়াদগী রিজাইন তৌরে হায়না লাউথোকখ্রে।

শিল্লোং টাইমসকী এদিটর মুখিমনা হায়খি মদুদি পাউমীশিংগী লূপ অমা ওইনা লৈরিবা এদিটরস গিল্ডনা মমিং লৈবা এদিটর অমদি এঙ্করশিংগী য়াকা য়েংদুনা থবক তৌরে।

পদ্মশ্রী এৱার্দ ফংখ্রবী মুখিমনা এদিটরস গিল্ড ওফ ইন্দিয়াদা পীশিনখিবা ফম থাদোকপগী চেরোল অমনা হায়খি মদুদি মমাঙ থাদা মুম্বাই পুলিসনা অর্নব গোশ্বামি ফাখিবা মতমদা অকনবা ৰাফম কয়া ফোঙদোকখিবা এদিটরস গিল্ডনা মেঘালয়া হায়কোর্টকী ৰায়েলগা মরী লৈননা ৰাফম অমত্তা ফোঙদোরক্তবা লাইবক থীবনি।

মায়খুম উপ্পা মীওই খরনা নন ট্রাইবেল মঙাদা এটেক তৌখিবগী মতাংদা অকনবা ৰাফম খরা ফেসবুক্তা অপলোদ তৌরুবগীদমক পেট্রিসিয়া মুখিমগী মথক্তা মেঘালয়া হায়কোর্টনা ক্রিমিনেল প্রোসিদিং চথুদুনা লাকখিবনি।

হায়কোর্টকী জষ্টিস দল্লিয়ু দিংদোনা লুচিংবা বেঞ্চ অমনা হায়খি মদুদি, মুখিমনা ফেসবুক্তা অপলোদ তৌরকখিবা ৰাফম অদুনা ট্রাইবেল অমদি নন ট্রাইবেলশিংগী মরক্তা নুংশিনদনবা মরম ওইহল্লে। কাঙলূপ মশেল নুংশিনদনবা ৰাফম ফোঙদোরকপগীদমক পাউমী অসিগী মথক্তা ক্রিমিনেল প্রোসিদিং লৌখৎপা মথৌ তাই।

মুখিমনা পীশিনখিবা ফম থাদোকপগী চেরোল অদুনা হায়খি মদুদি, এদিটরস গিল্ডগী মেম্বর ওইদবা অর্নব গোশ্বামিবু মুম্বাই পুলিসনা ফাখিবগী মতাংদা পাউমীশিংগী লূপ অসিনা মতেং পাংনবা হোৎনখি। মশক নাইবা এদিটর অমসুং এঙ্করশিংগী য়াকা য়েংদুনা থবক তৌরিবা এদিটরস গিল্দা মখা তানা য়াওবগী মথৌ তাদ্রে। নেসনলগী থাক্তা থবক তৌরিবা এদিটরশিংগী লূপ অমনা মীচং মীখাই নাইবা মওংদা লৌখৎলক্লিবা থৌরাং অসি য়ানীংদে।

অগরটালাদা য়ূম ১৫ মৈ চাকখ্রে

অগরটালা, নবেম্বর ১৮ (এজেন্সী): ত্রিপুরাগী কোনুং অগরটালা মনুং চন্না লৈবা ভাটি অভোয়নগরদা য়ূম ১৫ রোম মৈনা চাকখ্রে। হৌখিবা অহিংদা থোকখিবা য়ূম মৈ চাকপগী থৌদোক অদুদা কনাগুম্বা মীওই অমত্তা অশোক অপন নংখিদে হায়রি।

ফায়র টেন্দরশিংনা মফম অদুগী মীওইশিংগা খূৎশম্নদুনা মৈ মুথৎপা ঙমখ্রবসু য়ূম ১৫ রোম তুম্না মৈ চাকখ্রে। মৈ মুথৎনবা হোৎনবদা চাউরাক্লা পুং ২ রোম হেন্না চঙখি।

চৈরকসিদা ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি) গী এম এল এ সুদিপ রোয় বর্মননা মফম অদুদা চৎতুনা ফীভম য়েংশিনখিবগা লোয়ননা অৰাবা তারবা মীয়ামদা কম্পেন্সেসন পীনবগী মতাংদা সব দিভিজনেল মেজিষ্ট্রেট অশিম শাহগা উনদুনা ৱারী শানখি।

পাউমীশিংগা উনখিবা অমদা সব দিভিজনেল মেদিষ্ট্রেটনা হায়খি মদুদি ষ্টেটকী লো মতুংইন্না অৰাবা তারবা মীয়ামদা মপূং ফানা মতেং পাংবগী থৌরাং লৌখৎলগনি। ময়ূম মকৈ মৈ চাকখ্রবা মীওইশিং মতম খরা খুন্দা লৈতাহন্নবা মফম অমা শেমগৎলগনি।

টিরাপতা উলফা-আইগী কাদর অনী ফারে

ইটানগর, নবেম্বর ১৮ (এজেন্সী): অরুনাচল প্রদেশ পুলিস অমসুং অসাম রাইফলসকী অপূনবা টিম অমনা টিরাপ দিষ্ট্রিক্টতা চথখিবা ওপরেসনদা য়ুনাইটেদ লিবরেসন ফ্রন্ট ওফ অসোম- ইন্দিপেন্দেন্ট (উলফা-আই) গী মরু ওইবা কাদর অনী ফারে।

ত্বিটরদা থাদোরকখিবা ৰারোল অমদা অসাম রাইফলসনা হায়খি মদুদি, অরুনাচল প্রদেশ পুলিসকী খূৎশম্নদুনা টিরাপ দিষ্ট্রিক্টকী নোগলোদা থিবা হুন্বগী থবক চথবদা উলফা-আইগী য়াম্না মরু ওইবা মীওই অনী ফাবা ঙম্লে।

খূৎলায় পায়বা লালহৌবা খরা লোৎতুনা লৈরে হায়বা থাজনীংঙাই ওইবা পাউ অমা ফংবদগী কম্বাইন্দ ফোর্সনা থিবা হুন্বগী থবক চথদুনা উলফা-আইগী মরু ওইবা কাদর অনী ফাবা ঙমখিবনি। ফারবা মীওইশিং অদু মখা তাবা লোগী ওইবা থবক থৌরমশিং লৌখৎনবা লাজু পুলিস ষ্টেসনদা খূৎশিন্নখ্রে হায়রি।

অসাম অমসুং অরুনাচল প্রদেশকী লোন্নবা মফম খরদা উলফাগী কাদর খরা মতম কয়াগী মমাঙদগী লোৎতুনা লৈরকখি। টিরাপ দিষ্ট্রিক্টকী নোগলো এরিয়াদা খূৎলায় পায়বা লূপ অসিগী মীওই খরা লৈরে হায়বা রিপোর্ট ফংলবা মতুংদা কম্পাউন্দ ফোর্সেসনা ওপরেসন চথদুনা মরু ওইবা কাদর অনী ফাগৎপা ঙমখিবনি।

সাইন্স খঙহন্নবা থৌরাং লৌখৎকদৌরি

গুৱাহাটি, নবেম্বর ১৮ (এজেন্সী): ইন্দিয়ন ইন্সটিট্যুট ওফ টেক্নোলোজি গুৱাহাটি (আইআইটি-জি) না কাউন্সিল ওফ সাইন্টিফিক এন্দ ইন্দষ্ট্রিয়েল রিসর্ছ-নোর্থ ইষ্ট ইন্সটিট্যুট ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজিগা খূৎশম্নদুনা অৰাং নোংপোক লমদমদা সাইন্স নিংথিনা খঙহন্নবা থৌরাং অমা লৌখৎকদৌরি।

হীরম অসিগী মতাংদা আই আই টিনা সী এস আই আর-এন ঈ আই এস টিগা মেমোরেন্দম ওফ অন্দরষ্টেন্দিং (এম ও য়ু) অমা খূৎয়েক পীনখি। ইন্সটিট্যুট অনীনা অৰাং নোংপোক লমদমগী তোঙান তোঙানবা মফমদা রিসর্ছ তৌবগা লোয়ননা দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট অমদি ৱাটর রিছোর্সেসকা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিং পায়খৎলগনি।

লৈবাকপোকপা নুমিৎতা খূৎয়েক পীনখিবা এম ও য়ুদা আই আই টি গুৱাহাটিনা সী এস আই আর - এন ঈ আই এস টিগা খূৎশম্নদুনা তোঙান তোঙানবা ট্রেনিং প্রোগ্রামশিং পাঙথোকপগী ৰাফম য়াওরি।

আই আই টি গুৱাহাটিগী দিরেক্টর জি সিতারামনা হায়খি মদুদি অৰাং নোংপোক লমদমগী মীওইশিংবু সাইন্সকী লম্দা নিংথিনা খঙহন্নবা ওনলাইন কোর্স অমদি ইন্টরেক্সন প্রোগ্রাম কয়ামরুম পায়খৎনবা ফিরেপ লৌরে। মরু ওইনা বাইওরিছোর্সেস অমদি কেমিষ্ট্রিগী মতাংদা মহৈরোয়শিংবু ট্রেনিং পীরগনি।

দিসেম্বর ১৭তা ওটোনোমস কাউন্সিলগী মীখল পাঙথোক্লগনি

গুৱাহাটি, নবেম্বর ১৮ (এজেন্সী): দিসেম্বর ১৭তা টিৱা ওটোনোমস কাউন্সিলগী মীখল পাঙথোক্লগনি হায়না ষ্টেট ইলেক্সন কম্মিসননা ফোঙদোকখ্রে।

ষ্টেটকী ইলেক্সন কম্মিস্নর অলোক কুমারনা হায়খি মদুদি দিসেম্বর ১৭কী অয়ূক পুং ৭.৩০দগী নুংথিল পুং ৪.৩০ ফাওবা কন্সটিট্যুএন্সি ৩৬তা ভোট থাদনগনি। নগাওন, মোরিগাওন, হোজাই অমদি কামরুপ মেট্রোপোলিটান দিষ্ট্রিক্টশিংদা মীয়াম্না ভোট থাদনবা থৌরাং তৌবা লোইরে হায়না ইলেক্সন কম্মিস্নর অলোক কুমারনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

মহাক্না হায়খি, কোভিদ-১৯গী লাইচৎ মরক্তা মীয়াম্না এস ও পি ঙাক্না তোঙান তোঙানবা কন্সটিট্যুএন্সিশিংদা ভোট থাদনগনি। মীরেপ চে পীশিনবগী অরোইবা নুমিৎ নবেম্বর ২৫নি। থংনবা নুমিৎতা স্ক্রুটিনি তৌরগা মীরেপ চে লৌথোকপগী অরোইবা নুমিৎ নবেম্বর ২৮নি। দিসেম্বর ১৭তা মীখল পাঙথোক্লগা থা অদুমক্কী ১৯দা ভোট মশীং থিগনি হায়নসু ইলেক্সন কম্মিস্নরনা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, বোড়োলেন্দ টেরিটোরিএল কাউন্সিল (বি টি সী) গী মীখল দিসেম্বর ৭ অমসুং ১০দা পাঙথোক্লবা থৌরাং লৌখৎপা লোইরে। দিসেম্বর ৭তা অহানবা তাঙ্ককী মীখল পাঙথোক্লগা দিসেম্বর ১০দনা অনীশুবা তাঙ্ককী মীখল পাঙথোক্কনি।

অহানবা তাঙ্কক্কী মীখলদা উদলগুরি অমসুং বক্সা দিষ্ট্রিক্টতা মীয়াম্না ভোট থাদনগনি। বক্সা অমদি চিরাং দিষ্ট্রিক্টতনা অনীশুবা তাঙ্কক্কী মীখল পাঙথোক্কনি। তাঙ্কক অনীমক্তা অয়ূক পুং ৭.৩০দগী নুংথিল পুং ৪.৩০ ফাওবা মীয়াম্না ভোট থাদনগনি। দিসেম্বর ১২গী অয়ূক পুং ৮ তাবদা ভোট মশীং থিরগা মীখলগী ফল লাউথোক্কনি হায়রি।

এম এন এফকী লেজিসলেটর মরিগী মথক্তা এক্সন লৌখৎনবা তকশিনখ্রে

আইজোল, নবেম্বর ১৮ (এজেন্সী): মিজোরাম কোংগ্রেসকী য়ুথ ৱিংনা গভর্ণর পি এস শ্রীধরন পিলাই উনদুনা লৈঙাক পায়রিবা মিজো নেসনল ফ্রন্ট (এম এন এফ) কী লেজিসলেটর অহুম অমসুং ইন্দিপেন্দেন্ট এম এল এ অমগী মথক্তা মতিক চাবা থবক লৌখৎপীনবা তকশিনখ্রে।

য়ুথ কোংগ্রেসকী প্রসিদেন্ট লালমলসোমা ঙহাকানা গভর্ণরদা পীশিনখিবা চেরোল অমনা হায়খি মদুদি, এম এল এ মরিনা অতোপ্পা ফম পায়বগীদমক ওফিস ওফ প্রোফিটকা মরী লৈননা মতিক চাবা থবক লৌখৎফম থোকই।

ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ১০২ (১) (এ) অমসুং ১৯১ (১) (এ) গী মতুংইন্না ওফিস ওফ প্রোফিটকী মখাদা এম এল এ মরিগী মথক্তা মতিক চাবা থবক লৌখৎকদবনি।

এম এল এ লালনুনমোয়ানা মিজো য়ুনিভর্সিটিগী বোটনি দিপার্টমেন্টতা প্রোফেসর ওইনা থবক তৌবগা লোয়ননা অতোপ্পা এম এল এ তনা আইজোলগী পাটচুঙ্গা য়ুনিভর্সিটি কোলেজদা রেগ্যুলর ফেকলটি ওইনা থবক তৌরি।

হীরম অসিগী মতাংদা লালমলসোমানা হায়খি মদুদি মিজো য়ুনিভর্সিটিগী রেগ্যুলেসন মতুংইন্না য়ুনিভর্সিটি অসিগী টিচিং ষ্টাফনা ষ্টেট এসেমব্লি নৎত্রগা লোক সভাগী মীখলদা মীরেপ ওইবা য়াই। করিগুম্বা মীখলদা মায় পাক্লবদি এক্সত্রা ওর্দিনারি লিভ (ঈ ও এল) ওইনা চহী ১০ ছুটি পীবা য়াই।

য়ুনিভর্সিটিগী ওজাশিংনা মীখলদা মায় পাক্লবা মতুংদা ছুটি লৌদবা থোক্লবদি মখা তানা মহৈরোয়শিং তাকপী তন্বীবগী থৌদাং লৌগদবনি।

মীখলদা মায় পাক্লবা মতুংদা ওজা অমনা য়ুনিভর্সিটিগী তোলোপ লৌবা নৎত্রগা লৌদবা হায়বদু মশানা লেপকগদবনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

ওজা মরিমক ছুটি লৌদবা মরম্না য়ুনিভর্সিটিদগী মখা তানা তোলোপ লৌবদা অকায়বা লৈতে। অদুবু এম এল এ ওইরবা মতুংদা তোঙান তোঙানবা বোর্দকী ভাইস চ্যেরমেন খনখিবা মরম্না ওফিস ওফ প্রোফিটকী মতুংইন্না মতিক চাবা লৌখৎফম থোকই হায়না য়ুথ কোংগ্রেসনা ফোঙদোকখি।

ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ১৬৪ (১এ) মতুংইন্না মিজোরামদা চীফ মিনিষ্টর থারগা অপূনবা মিনিষ্টর ১২দগী হেন্না লৈবা য়াদে। এম এন এফকী এম এল এ মরিনা পায়রিবা ফম অসি মিনিষ্টর ওফ ষ্টেটকী থাক্তা লৈবা মরম্না মিজোরামদা মিনিষ্টর ১২দগী হেন্না লৈরে হায়না লৌফম থোকই। তোঙান তোঙানবা বোর্দকী ভাইস চ্যেরমেন ওইরিবা এম এল এশিংনা মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট অমগুম এলাউৱেন্স ফংলি হায়নসু কোংগ্রেসনা গভর্ণরদা ফোঙদোকখি।

থা ১৭কী মতুংদা সর্ভিস হৌখ্রে

গেংটোক, নবেম্বর ১৮ (এজেন্সী) : সিক্কিমগী পাক্যোং এয়রপোর্টতা স্পাইসজেটকী কম্মর্সিএল ফ্লাইট লেন্দিং তৌখ্রে। থা ১৭ লেপ্লুরবা মতুংদা অমুক হন্না কম্মর্সিএল ফ্লাইট সর্ভিস তৌবা হৌখিবনি।

পনবা য়াবদি, কুমজা ২০১৮গী সেপ্টেম্বর ২৪দা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা এয়রপোর্ট অসি শঙ্গাখিবগা লোয়ননা চহী অদুমক্কী ওক্টোবর ৪দা কম্মর্সিএল ফ্লাইট সর্ভিস ওপরেট তৌবা হৌখিবনি। অদুবু টেক্নিকেলগী ওইবা মরম খরদগী স্পাইস জেটনা মমাঙ চহীগী জুন ১দগী ফ্লাইট সর্ভিস তৌবা লেপ্তুনা লাকখি।

অৰাং নোংপোক লমদমগী ষ্টেট অসিদা নৌনা অমুক কম্মর্সিএল ফ্লাইট সর্ভিস তৌরকপদা সিক্কিমগী মীয়াম্না হরাওবা ফোঙদোকখি।

চৈরকসিদা, স্পাইস জেটনা রাস অল খাইমাহদা ফ্লাইট সর্ভিস তৌরগনি হায়না লাউথোকখ্রে। নবেম্বর ২৬তগী হৌনা দেল্লিদগী রাস অল খাইমাহ ফাওবা চয়োল অমদা অনীরক ফ্লাইট সর্ভিস লৈগনি হায়না স্পাইস জেটনা ফোঙদোকখি।

সেন্টরদগী ফন্দ পীরক্লগনি

দিফু, নবেম্বর ১৮ (এজেন্সী) : কার্বি অংলোং ওটোনোমস কাউন্সিল (কে এ এ সী) দা সেন্টরদগী হকথেংননা ফন্দ পীরক্লগনি হায়না কাউন্সিল অসিগী চীফ এগজিক্যুটিভ মেম্বর টুলিরাম রোংহাংনা ফোঙদোকখ্রে।

পাউমীশিংগা উনখিবা অমদা রোংহাংনা হায়খি, সেন্ত্রেল স্কিমশিংগী ফন্দ থাদরকপদা ষ্টেট সেক্রেটরিএটনা মরম ওইরগা মতম চানা কাউন্সিলদা য়ৌরকপা ঙমদনা লৈরকখি। হৌজিক্তি সেন্টরনা কাউন্সিলদা হকথেংননা ফন্দ পীরক্কদবা মরম্না সেক্রেটরিএটতা পনবগী ৰাফম লৈররোই।

অৰাং নোংপোক লমদমগী ষ্টেট অসিদা তোঙান তোঙানবা সেন্ত্রেল স্কিম কয়ামরুম পায়খৎতুনা লাক্লবসু মতম চানা ফন্দ ফংবা ঙমদবগী অৰাবা মায়োক্লখি।

ওপোজিসন পার্টিশিংবু য়ানীংদবা ফোঙদোক্লদুনা রোংহাংনা হায়খি, সিক্স সেদ্যুল্ড এরিয়াদা পঞ্চায়টি রাজ লৈবা য়াদে হায়বা ওপোজিসননা খঙফম থোকপনি। কার্বি অংলোংদা গ্রাম পঞ্চায়টকী মহুত্তা ভিলেজ দিভলপমেন্ট কম্মিটি লৈরি। সর্পঞ্চকী মহুত্তনা চ্যেরমেন লৈরি। ওপোজিসননা হীরমসিদা মীয়াম্বু লান্না লমজিংনবা হোৎনরোইদবনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

CROSSWORD-3623



ACROSS

1 Make a mistake (4,2)
4 Unwrinkled (6)
8 Move aimlessly (5)
9 Fighting man (7)
10 Beseech (7)
11 Fisherman's basket (5)
12 Non-stop (9)
17 Borders (5)
19 Female singing voice (7)
21 Coached (7)
22 Combine (5)
23 Stinging plant (6)
24 Withstand (6)

DOWN

1 Happening without warning (6)
2 Crackbrained (7)
3 Loosen (5)
5 Reclaim (anag) (7)
6 Yellowish-green colour (5)
7 Scarcely (6)
9 Seen (9)
13 Armoury (7)
14 Language of East Africa (7)
15 Substance used for setting jams and jellies (6)
16 Point in time (6)
18 Hard work (5)
20 Dried plum (5)

Solution 3622

A	C	R	E	■	A	L	A	R	M	I	S	T
L	■	O	■	S	■	Y	■	A	■	C	■	I
L	O	B	S	T	E	R	■	T	H	E	M	E
R	■	I	■	A	■	I	■	I	■	B	■	D
I	N	N	E	R	■	C	L	O	S	E	R	■
G	■	■	■	V	■	S	■	■	■	R	■	P
H	A	P	P	E	N	■	B	I	G	G	E	R
T	■	R	■	■	■	S	■	M	■	■	■	O
■	D	O	R	S	E	T	■	A	N	N	U	L
B	■	T	■	O	■	R	■	G	■	E	■	O
L	I	E	I	N	■	E	V	E	N	I	N	G
O	■	I	■	A	■	S	■	S	■	G	■	U
C	O	N	G	R	E	S	S	■	T	H	E	E

SOLUTION ON NEXT ISSUE

HUEIYEN SUDOKU

Hueiyen Sudoku-3422

8			3	9	1			5
	4							3
		6			5			1
			6			9		
9	5			4			1	6
		2			9			
7			8			5		
2							4	
4			5	2	7			9

Solution-3421

1	3	2	8	5	7	6	9	4
8	4	7	1	6	9	5	3	2
5	6	9	2	3	4	7	1	8
6	8	3	5	7	1	2	4	9
7	1	4	9	2	8	3	5	6
2	9	5	6	4	3	8	7	1
3	7	1	4	8	6	9	2	5
4	5	8	3	9	2	1	6	7
9	2	6	7	1	5	4	8	3

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers



লময়ানবা ইরাবত [illegible]

ৰারী অমসুং খুৎয়েক : সামসন সলাম
[illegible]

১৯৪০ গী জানুৱারিদা ইরাবৎ ময়ুমদগী ফাখিরম্মী।
[illegible]



ঐগী নুপা থাদোক্লম্মু, মাগী মরাল করিনো?
[illegible]

হে নঙগী নুপাসি ইরাং শাগৎপগী ফারিবনিনে!
[illegible]



খোমদোনসনানা ১৯৪০গী জান: ১৩দা মহাসভাগী সেক্রেটেরিগা লোইননা সিলোংদা আসামগী গভরনরদা চে পিশিনবা চৎখিরম্মী।
[illegible]